# পুং ৬ খুদিংগী নুপী অমমম ঈকায় খুম্নবা মাংহল্লি, লৈবাক অসিদা থোক্লিবসি করিনো : সুপ্রীম কোর্ট



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী): লৈবাক অসিদা নুপীশিংদা শাফবা ফীভম অমা ওইরক্তবগী মতাংদা সুপ্রীম কোর্টনা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা অকনবা চেকশিন-ৰা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিদা হৌজিক নুপীশিংগী মথক্তা চথবা ক্রাইমশিংগী মশিং হেনগৎলক্লিবা অদু লাকশিনগদবনি। নেসনল ক্রিমিনেল রেকোর্দ ব্যুরো (এন সী আর বি)গী দেটা মতুংইন্না লৈবাক অসিদা পুং ৬ খুদিংগী নুপী অমমম ঈকায় খুম্নবা মাংহনবগী থৌদোক থোক্লি। চৎলিবা চহী অসিদা রেপকী কেস ৩৮,০০০ লাকখ্রে। মদুগী মনুংদা উত্তর প্রদেশনা অনীশুবা খ্বাইদগী য়াম্না থৌদোক থোকপা মফ ওইরি। ওইরিবা ফীভম অসিবু করিনো হায়না সুপ্রীম কোর্টনা ৱাহং ওইনা হংবগা লোয়ননা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

মুজাফর নগরগী সেল্টর হোম অমদা থোকখিবা নুপীমচাশিংবু ঈকায় খুম্নবা মাংহনখিবগা মরী লৈননা চথুবা হিয়ারিংদা সুপ্রীম কোর্টনা হায়, ষ্টেট অদুদা অদুগুম্বা থৌদোক থোকহল্লিবা করিগীনো। বিহার লৈঙাক্না কুমজা ২০০৪ দগী হৌনা এন জি ওশিংদা ফন্দ থাদদুনা থবক তৌহল্লি। অদুগুম্বা বিহার লৈঙাক্না শেল থাদদুনা হাংদোকহল্লিবা এন জি ওশিং অদুদা থোক্লকপা য়াবা থৌদোকশিং অদু করিগী খলহৌদ্রিবনো। থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎনবগী ৱাখল খন্দ্রিবা করিগীনো হায়নসু লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুনা বিহার লৈঙাক্তা হংখ্রে।

মান্নবা কেসশিংদা বিহার লৈঙাক্না মরাল লৈবশিংদা চৈরাক পীখিবা কয়া লৈরবগে। অদুম ওইনমক লৈঙাক্না মশা ঙাকথোকচনবা থৌওং কয়া চথুরি। সেল্টর হোম অদুদা মখোয়গী ওফিসল থাদুনা য়েংশিনহল্লি। অদুম ওইনমক অদুগুম্বা কেস অদুগী মতাংদদি ঈ-পাউ অমত্তা ফোঙদো-রকখিদে। লৈঙাক্কী ওফিসলশিংনা সেল্টর হোম অদুদা চৎতুনা অঙাংশিংদা ৱা ঙাঙলি। থোক্লিবা থৌদোক খুদিংমক্কী থৌদাং বিহার লৈঙাক্না পুগদবনি। করম তৌনা অদুগুম্বা তমথিবা থৌদোকশিং অদু থোক্লিবনো হায়বদু খঙদোক্কদবনি। য়েংশিনবগী থৌওং অদু মমিংতগী ওইনা চথুবনি। মখোয়না থৌদোক অদুদা হকচিন্না লৌদে হায়নসু সুপ্রীম কোর্টনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

সুপ্রীম কোর্টনা চৎলিবা থা অসিগী ২ বিহার লৈঙাক অমসুং সেন্টরদা কেস অদুগা মরী লৈননা নোটিশ ইস্যু তৌখিবা লৈখ্রবনি। কোর্টনা ইস্যু মোটু কোগনিসেন্স কেস অমা লৌখৎতুনা বিহার লৈঙাক অমসুং ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিদা পাউখুম পীরক্নবা খঙহনখিবা লৈখ্রে। সেল্টর হোম অদুদা পীল্লিবা নুপীমচাশিংদা নাতৈ চাদবা থবক চথুবদা করিগীদমক এক্সন লৌখৎত্রিবনো হায়নসু হংখি। ব্রাজেস থাকুনা রন তৌবা সেল্টর হোম অদুদা নুপীমচা ৩০ ঈকায় খুম্নবা মাংহনখিবগী ৱাথোক লৈরে। হায়রিবা সেল্টর হোম অদু চলাইরিবা এন জি ও অদুদা লৈঙাক্না শেল থাদখিবগী রিপোর্টসু লৈ।

টাটা ইনষ্টিট্যুট ওফ সোসল সাইন্সেসনা থাগৎলকখিবা ওদিট রিপোর্ট অমদগী নুপীমচাশিংদা ঈকায় খুম্নবা মাংহনবগী থৌদোক অদু মীয়াম্না খঙনরকখি। চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা ষ্টেট সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টতা ৱাফম অদু লানখৎলকখিবনি। থাকু য়াওনা মীওই ১১ গী মথক্তা চহী অসিমক্কী মে ৩১দা এফ আই আর অমা লৌখৎখিবনি। মেদিকেল এগজামিনেসন চথুবদা হোম অদুদা লৈবা নুপীমচা ৪২ গী মনুংদা ৩৪ সেক্সুএল এব্যুজ চথুখি হায়বগী খুদম চাংদম ফংবা ঙমখ্রে। অদুগা মশা ঙমদদুনা লৈবা নুপীমচা অনীদি লায়েংলি হায়বসু খঙলে। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা হোম অদুগী নুপী ষ্টাফ মেম্বর অমসুং থাকু ফাগৎখিবা লৈরে হায়রি।

# ওপোজিসন পার্টিনা রাজ্য সভাগী দেপ্যুটি চ্যেরমেনগীদমক বন্দনা চভান পুথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী): শরদ পৱারগী নেসনলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি) গী লুচিংবা বন্দনা চভান ওপোজিসন পার্টিগী ওইনা রাজ্য সভাগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা ফম অদুগীদমক মীরেপ ওইরগনি।

ভাইস প্রসিদেন্ট ভেংকয়া নাইদুগী হেক মথংদা রাজ্য সভাগী খ্বাইদগী চাউবা দেপ্যুটি চ্যেরমেনগী ফম অদুগীদমক লুচিংবী অদু থাগৎনবা মিং খনগৎখিবনি। বন্দনা চভান এন সী পিগী রাজ্য সভা মেম্বর অমা ওইনা কুমজা ২০১২ তগী থৌ পুরকখিবনি। নুপী অমা ওইনা করিগুম্বা মহাকপু রাজ্য সভাগী ভাইস চ্যেরমেন ওইনা খল্লবদি অসুক্কী মতিক চাউথোকচনিংঙাই ওইবা অমদি নুংঙাইবা অমা ওইগনি। পার্টিগী ওইবা ৱাফম নত্তনা নুপী অমনা ভাইস চ্যেরমেন ওইবা হায়বা অদুগীদমক চাউথোকচবা ফাওগনি। ওপোজিসন পার্টিনা মহাকপু রাজ্য সভাগী দেপ্যুটি চ্যেরমেনগীদমক মীরেপ ওইনন-বগীদমক য়েৎনবা য়াওদনা খনখ্রে। বন্দনা চভান কুমজা ১৯৯২ দগী কুমজা ২০০৭ ফাওবদা অহুম্লক হন্না কাউন্সীল্লর ওইরমখ্রে। কুমজা ১৯৯৮ দগী ২০০৭ ফাওবা পুনেগী মেয়র ওইনা থৌ পুরমখি। বন্দনা চভানগী অপোকপা বিজয়া রাও মোহিতে অরিবা উকিল অমনি। মহাক্না ক্রিমিনেল লোয়র অমা ওইনা মতম শাংনা থৌ পুরমখি। অদুগা অপোকপী জয়শ্রি মোহিতে লেকচরর অমা ওইনা রিটয়ার্দ তৌখি। অদুগা মহাক্কী মপুরোইবা হেমন্ত চভানসু উকিল ওইনা থৌ পুরিবনি হায়রি।

কুমজা ২০১৪ দা চভানন্না শাশিংদা তাথি-তাওইনা তৌবগী ৱাথোক অমা লাকখিবগা লোয়ননা য়ুম্লোন্নবনা লোইবা হৌদোং অমদা তাথি-তাওইনা তৌখি হায়বগী য়েৎননিংঙাই ওইরবা ৱাথোক লৈখি। পোলিটিক্সতা খোঙদার-ক্লিবী নুপী অদুগা য়ুম্লোন্ননা লৈরিবা পুনেদা বেজ তৌবা প্রোফেসার অমনা মহাক্কী মথক্তগা ৱাকৎ থাঙ্গৎলকপগা লোয়ননা লুপা ক্রোর ৫ কম্পেন্সেসন পীননবা দিমান্দ তৌরকখিবা লৈখি হায়রি।

# জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী গুরেজদা টেররিষ্টশিংগা খুৎ থোক্লবদা মেজর অমা য়াওনা লান্মী ৪ শিরে

গুরেজ, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী): জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী গুরেজদা ঙমখৈ লানশিল্লকপা টেররিষ্টশিং থিংনবা হোৎনবদা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা মেজর অমা য়াওনা লান্মী ৪ শিখ্রে।

গুরেজগী লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনর-কপা মীওইশিং থিংননবা হোৎনবদা নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি। গুরেজগী ঙমখৈ পরিং অদুদা মথৌ তৌবা ৩৬ শুবা রাষ্ট্রিয়া রাইফলসকী লান্মীশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগা লোয়ননা সিক্যুরিটি ফোর্সনা অকনবা মওংদা খুৎ হনখি।

থৌদোক অদুদা লান্মীগী মেজর অমা য়াওনা মীওই মরিগী পুন্সি মাংখ্রে। লৈখিদ্রবা লান্মীশিং অদুদি, মেজর কে পি রানে, হবিল্ডার বিক্রমজিৎ, জামি সিংহ অমসুং রাইফলমেন মন্দিপনি হায়রি।

মখোয় ৩৬ শুবা রাষ্ট্রিয়া রাইফলসকী লান্মীশিংনি। খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদুদা টেররিষ্ট অনী হাৎপা ঙমখি। মফম অদুদগী টেররিষ্ট অনীগী অশিবা হকচাং ফংবা ঙমখ্রে। লান্মীনা মখা তানা লমদম অদুদা থি-হুম্বগী থবক চথুরি হায়রি।

লান্মীগী ওফিসর অমনা ফোঙদো-রকখিবদা, লমদম অদুদা খুৎ থোক্ল রবা মতুং টেররিষ্ট মরি পাকিস্তান্না খুদুম চনবা কাশ্মিরগী শরুক্তা চেনশিনখ্রে। টেররিষ্টশিং অদু পাকিস্তান লান্মীনা ঙমখৈ পরিংদা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপশিল্লিঙৈ চৈরক্তা ইন্দিয়াগী শরুক্তা চঙশিন্নবা হোৎনরমখিবনি হায়রি।

গুরেজগী বাগটুরদা টেররিষ্টশিং লানশিল্লকপা য়াই হায়বগী পাউ ফংখি। পাউ অদু ফংবগা লোয়ননা সিক্যুরিটি ফোর্সনা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈখি। চৈরক অদুদা, পাকিস্তানগী মায়কৈগী অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপশিল্ল-কখি। মদু টেররিষ্ট অদু ইন্দিয়াগী ঙমখৈ মনুংদা থাজিন্নবা চথুরকখিবা থৌওং অমনি হায়রি।

# অবু সালেমনা লুহোংবগীদমক পেরোল পীবীনবা হায়জরকখিবা ৱাফম মুম্বাই হায় কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে

মুম্বাই, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী): গেং ষ্টার অবু সালেমনা থানেদা লৈবা মহাক্কী গার্লফ্রেন্দ অমগা লুহোংনবগীদমক নুমীৎ ৪৫ নি পেরোল পীবীনবা হায়জরকখিবা ৱাফম মুম্বাই হায় কোর্টনা ঙসি রিজেক্ট তৌখ্রে।

এক্টিং চীফ জষ্টিস ভি কে টাহিলরমানি অমসুং জষ্টিস এন এস সুনাককী বেঞ্চ অমনা প্রিজন রুলগী মখাদা হায়জরকখিবা ৱাফম অদু য়াখিদবনি। টেররগা মরী লৈনবা কেসতা ফাদোক তারিবা মীওই অমবু কন্দিসন অমত্তদা পেরোল পীবদা ওইথোকপা লৈতে হায়রি।



রাইগরগী তালোজা জেলদা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা অবু সালেমনা মমাঙদা পেরোল পীবীনবা কোনকান দিভিজনল কম্মিস্নারদা হায়জখিবা লৈখি। মদুসু দিভিজনল কম্মিস্নারনা রিজেক্ট তৌখিবনি। অদুম ওইনমক মখা তানা অবু সালেমগী ফরহানা শাহনা হায় কোর্টতা অমুক হন্না ৱাকৎ অদু থাঙ্গৎলকখি। কোনকান দিভিজনল কম্মিস্নারনা পেরোল পীযু হায়বা য়াখিদে হায়বা ৱাফম অদুসু পুখৎলকখি।

কুমজা ১৯৯৩ দা থোকখিবা মুম্বাই সেরিয়ল ব্লাষ্টকা মরী লৈননা অবু সালেম ফাদুনা জেলদা থম্লকখিবনি। বন্দি অদু মে ৫ দা লুহোংনবা থৌরাং তৌরমখি। মহাক থানে দিষ্ট্রিক্টকী মুম্ব্রা টাউনদা লৈবা হেনা এলিয়স কৌসর বহাই কৌবী নুপী অমগা হান্নগা লুহোংখ্রে হায়বা ৱাফম অমসু লৈরি হায়রি।

কুমজা ২০০৫ দা গেং ষ্টার অবু সালেম পোর্টুগালদা ফারবা মতুং লৈবাক অসিদা পুরকখিবনি। মতম অদুদা মহাক্না কুমজা ২০১৪ দা হেনাগা লুহোংগনি হায়না ফোঙদো-কখিবা লৈখি। ৱাফম অসিদা চয়েৎনবা কয়া লৈবা অমসুং তমথিবা থৌদোক্তা চেন্নবা, ফাদোক তারিবা মীওই অমবু পেরোল পীবা হায়বদু প্রিজন রুলগী মতুংইন্না য়াদে হায়রি।

# বি জে পিনা লৈঙাক পায়বা ষ্টেটশিংদা জঙ্গলগী ৱায়েল চথুরি : ময়াবতি

লক্ষনৌ, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী): ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না লৈঙাক পায়বা ষ্টেটশিংদা তমথিবা জঙ্গলগী ৱায়েল চথুরি হায়না বাহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি) গী লুচিংবী ময়াবতিনা ফোঙদোকখ্রে।

বিহারগী মুজাফরপুর অমসুং উত্তর প্রদেশকী দেওরিয়াদা লৈবা সেল্টর হোমশিংদা নুপীমচাশিংবু তমথিবা মওংদা সেক্সুএল এক্সপ্লোইটেসন চথুখিবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে। দেওরিয়াদগী নুপীমচা ২৪ রেস্ক্যু তৌখ্রে। মখোয়বু ঈকায় খুম্নবা মাংহনবীখি হায়বগী ৱাথোক লাক্লে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা সেল্টর হোম অদুদা লৈরম্বা নুপীমচা ১৮ মাংখিবগী কেস লৈরে।

মুজাফরপুরদা ষ্টেটনা ফন্দ থাদবা সেল্টর হোম অমদা চহী নৌরিবী নুপীমচাশিংবু সেক্সুএল এব্যুজ চথুখি হায়বা ৱাফম অদু ফোঙদোক্লরকপগা লোয়ননা মীয়ামগী অকনবা খোল্লাউ লাক্লি। বিহারগী থৌদোক অদুগা মান্নবা মওংদা দেওরিয়াদা লৈবা সেল্টর হোম অমগী নুপীমচাশিংদা সেক্সুএল এব্যুজ চথুখি হায়বা খঙনরকখ্রে। হায়রিবা ষ্টেটশিং অদু বি জে পিনা লৈঙাক পায়বা মফমশিংনি। অদুগুম্বা ষ্টেটশিং অদুদা খ্বাইদগী হেন্না পূক্নিং নুংশিনিংঙাই ওইবা ফীভমশিং লৈরে। মদুনা মরম ওইরগা নুপীমচাশিং অমদি নুপীশিং শাফবা ওইদ্রে হায়বা অদু তাক্লে। অদুগুম্বা থৌদোক অদু লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী ঈকায়নিংঙাই ওইবা থৌদোক অমনি হায়নসু লুচিংবী অদুনা ঙসি লক্ষনৌদা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

বিহার অমসুং উত্তর প্রদেশকী কেসশিং অদু হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা মরাল লৈবশিং চপ চাবা চৈরাক পীগদবনি। থৌদোকশিং অদু কুপশিন্নবা হোৎনরোইদবনি হায়নসু বাহুজন সমাজ পার্টিগী লুচিংবী অদুনা অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে। ফীভম কয়া অসি য়েংলগা হায়বা ঙম্লিবদি বি জে পিনা লৈঙাক পায়বা ষ্টেটশিংদা জঙ্গলগী ৱায়েল চথুরি। অদুগুম্বা ষ্টেটশিংদা লো এন্দ ওর্দর লৈত্রে। নুপীশিংবু ঈকায় খুম্নবগী ৱাফমসু লৈত্রে হায়খি।

# কুমজা ২০১৪ দা মোদিনা অঙকপা মওংদা মায় পাকখ্রবা মতুং শাথিবা এক্সিদেন্ট অমা লৈবাক অসিদা থোকহল্লে : রাহুল



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী): নরেন্দ্র মোদিগী মতম অসিদা শেঞ্জা-থুমজা, শেল-থুম, খুন্নাইদা চাউনা খুদোংচাদবা থোকহল্লে হায়না কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ঙসি মরাল শিখ্রে।

কোংগ্রেস পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী মীফমদা লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা পার্টি অসিগী মথক্তা মীয়ামগী অশাওবা হৈথরক্লে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অফবা নুমীৎ হায়বা অদু ওইহনবা ঙমদ্রে। ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীয়াম্না হৌজিক্তি কোংগ্রেস পার্টিদা মীৎয়েং থম্লক্লে। মোদি লৈঙাক শিন্দাক্লবা কোংগ্রেসকা চৎমিন্নরিবা পার্টিশিংদা মীয়াম্না থাজবা থম্লক্লি। হৌজিক ওইরিবা ফীভমশিং অসিদা মীয়াম্না খঙবা ঙমখ্রে। লৈঙাক অসিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং ঙাকপা ঙমদ্রে। লায়রবা কোকহনগনি হায়বা, থবক পীগনি হায়বশিং অদু চপ চানা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমদ্রে।

হৌজিক্তি লৈবাক অসিগীদমক থৌদাং লৌবা ঙমগদবা হায়বদু ময়েক শেংনা থোক্লক্লগনি। কোংগ্রেসকী এম পিশিংনা কাঙলুপ জাৎ খায়বা, হঙ্গোইনিংঙাই ওইবা ফোর্সশিংদগী লাপ্না লৈবা অমসুং কনষ্টিট্যুসন ঙাক্না চৎপা হায়বসিদা মথংদা লৈঙাক পায়রক্লবগী মরম অমা ওইহনগদবনি। ঙসি পাঙথোক্লিবা মীফম অসি নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্না খুদোংচাদবা থোকহল্লবশিং অদু কোকহন্নবা খন্নবা অমা ওইগদবনি। হৌজিক লৈবাক অসিদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি।

মীয়াম্না অশাওবা কয়া ফোঙদোক্ল রক্লে। হৌজিক অতোপ্পা ফীভম অমা মীয়াম্না পাল্লিবনি। ওইরোইদবদা ৱাশকপা হায়বদু চুমদবা অমনি। মোদিগী অফবা নুমীৎ হায়বদু ঙসি করি ওইরবগে হায়নসু রাহুল গান্ধীনা ৱাহং ওইনা হংখ্রে। ইন্দিয়াগী লৌমী অমসুং নহা ওইরিবা মীওইশিং অমদি য়ুম পুরিবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে। মরম চাদনা টেক্স লৌবগী থৌওংশিং চথুরি হায়খি।

# জষ্টিস ইন্দিরা বেনর্জি, ভিনিট সরন, কে এম জোসেফ লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্টতা ৱাশক লৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী): সুপ্রীম কোর্টকী জজ অহুম ঙসি ৱাশক লৌখ্রে। ৱাশক লৌখ্রবা মীওইশিং অদুদি জষ্টিস ইন্দিরা বেনর্জি, ভিনিট সরন অমসুং কে এম জোসেফনি। চীফ জষ্টিস দিপক মিশ্রানা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুগী জজ ওইরগদবা মীওই অহুম অদু ঙসি অয়ুক ৱাশক লৌখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা চয়েৎনবা থোক্তনবা থৌশিল কয়া মাঙজৌননা পায়খৎখি। ঙরাং জজকী কাঙলুপ অমনা মীওই অহুম খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুগী জজ ওইননবা ৱাশক লৌবগী মতাংদা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। লৈঙাক্কী অপান্বা অমসুং অকোয়বগী ফীভম য়েংলগা সুপ্রীম কোর্টনা মীওইশিং অদু ফম পায়ননবা থৌশিল পায়খৎখিবনি।

নাকল অমরোমদা, জজ কয়ানা জষ্টিসকী লমদা লৈঙাক্না খুৎ থিজিল্লক্লে হায়না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকপা লৈরি। জষ্টিস জোসেফ কুমজা ২০১৬ তা উত্তরখন্দদা প্রসিদেন্ট রুল লৈখিবা মতমদা রুল অদু কেন্সেল তৌননবা ৱারেপ লৌখিবা মীওই অমনি। ঙসি জজ অহুম ৱাশক লৌখিবগী মতাংদা ওপোজিসন পার্টিনা পার্লিয়ামেন্টতা অকনবা ৱাফম কয়া পুখৎলকখ্রে। ঙসি অয়ুক ৱাশক লৌখিবগী মতুং কোংগ্রেসকী লুচিংবা কাপিল সিবালনা হায়, ওইরিবা থৌওং অসি লৈবাক অসিগী কোর্টকী পুৱারীদা অমম্বা তাঙ্কক অমনি। জষ্টিস কে এম জোসেফকী মতিক ময়াই হন্থহনবগা লোয়ননা কোর্টকী পুৱারীদা অমম্বা তাঙ্কক অমা ওইরগনি হায়রি।

চীফ জষ্টিস অদুনা লৈঙাক্কা ৱারী শানগনি হায়বগী ৱাফম অমসু ফোঙদোকখ্রে। জষ্টিস জোসেফনা হায়, ৱাশক লৌখ্রবা জজশিং অদুগী মনুংদা অনীদি চপ চাবা মগুন লৈবশিংনি। সুপ্রীম কোর্টনা লৈবাক অসিগী ৱায়েল কাঙলোনগী লমদা অহোংবা অমদি পামদবা থৌদোকশিং থোকহনবা পামদে। মদুনা মরম ওইরগা ৱায়েল থৌদা চথুবদা খুদোংচানবগীদমক জজ অহুম ৱাশক লৌখিবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

URGENTLY REQUIRE
Regd. No. IW (UP/0915(CE) of 2017, Govt. of Manipur

| Sl. No. | Name of Post | No. of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Urgent Imphal post vacancy – First come first chance Condition Apply | | | |
| | i. Writing copy at Home (housewife/student) | 50 | VIII/X/XII | Rs. 350 per copy |
| | ii. Sweeper (Man & Women of Hospital) | 40 | 1. VIII/X/XII/G | 5,000-15,000 |
| | iii. Office Front Reception/Attendant | 20 | VIII/X/XII | 4,000-15,000 |
| | iv. Company Driver (Light vehicle) | 20 | VIII/X/XII | 5,000-10,000 |
| | v. VIP Driver (Light vehicle) | 10 | VIII/X/XII | 5,000-10,000 |
| | vi. Man Guard/Ladies Guard | 30 | X/XII/G | 5,500-10,000 |
| | vii. Micro RO/BDO/MO/PRO/CRO | 20 | VIII/X/XII | 5,000-20,000 |
| | viii. Home Delivery Staff/Sales Executive | 50 | VIII/X/XII | 5,000-10,000 |
| 2. | All India Post Vacancy Of Airlines & Airport at IGI-T3 New Delhi & Bangalore(Semi Govt. Job) for - 100% Guide and Success Condition Apply | | | |
| | i. Cargo Loader | 30 | X/XII | 10,000-38,000 |
| | ii. Customer Service Agent(CSA) | 20 | G | 15,000-70,000 |
| | iii. Guest Service Agent(GSA) | 20 | XII/G | 15,000-70,000 |
| | iv. Ground Staff/Retail/Duty Free | 40 | XII/G | 15,000-70,000 |
| | v. Cabin Crew | 10 | G | 30,000-80,000 |
| | vi. Porters Staff | 20 | XII | 10,000-30,000 |
| | vii. House Keeping | 10 | X/XII | 10,000-50,000 |
| | viii. VIP Launch | 15 | XII/G | 15,000-70,000 |
| | ix. Airport Driver (Heavy/Light) | 20 | VIII/X/XII | 10,000-38,000 |
| 3. | No Donation & No Deposit Work at Imphal – First come first chance Condition Apply | | | |
| | i. Area Counselling Manager | 40 | VIII/X/XII | 8,000-20,000 |
| | ii. Part-time job (not less than 25 years and PAN CARD compulsory (Financial Advisor) | 50 | X/XII/G | Negotiable |
| | iii. Sale Man/Car Wash | 15 | X/XII | 6,000-15,000 |
| | iv. Warden/Helper | 10 | VIII/X/XII | 6,000-10,000 |
| | v. Marketing Manager/Computer Operator | 20 | VIII/X/XII | 6,000-15,000 |
| | vi. Computer Teacher/ DTP Works | 10 | X/XII | 6,000-13,000 |
| | vii. Mali | 10 | VIII/X/XII | 5,000-10,000 |

Last Date of Submission : 29-08-2018
Date of Interview : 30-08-2018
Office Hour 10:00 a.m to 04.00 p.m
Pliz Contact:
Kanglei Guidance Centre
Uripok Over Bridge Makhong Near Cosmo Dental Clinic
☎: 8575764834 / 9077766104/ 8794951292
HL-P/5187/7,8,10,12,15,18,21-29

EDUCITY TUTORIALS
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
Limited Seats!
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018
Timing:
5:00 am to 7:00 pm
4:30 pm to 7:30 pm
Contact: 9612194500 | 8731977228
CLASS - I TO X, CLASS - XI & XII (SCIENCE) (Both CBSE & BOSEM)
* PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS
* PROBABLE SUGGESTIONS
* SPECIAL TEST SERIES
* COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
* WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
* HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS
FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 800/- Month)
CLASS VI TO VIII (Rs. 1000/- Month)
CLASS IX & X (Rs. 2000/- Month)
CLASS XI & XII Sc. (Course Fee: 4 Months Rs. 14,500/-)
CLASSES STARTING FROM 12TH & 20TH JUNE, 2018
OUR FACULTIES FOR XI & XII SCIENCE:
FACULTIES FOR CLASS I TO X:
1. Madam Romita Devi (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Miss Premika (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Miss Yaipharembi (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Miss Sonia (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Miss Preety (3 Yrs Experience in Teaching)
6. Miss Melody (3 Yrs Experience in Teaching)
7. Miss Esther (3 Yrs Experience in Teaching)
8. Miss Nomidy (3 Yrs Experience in Teaching)
9. Miss Nirmala (3 Yrs Experience in Teaching)
10. Miss Mritunjoy (3 Yrs Experience in Teaching)
1. Sir Subhaschandra (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Sir Wenliam (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Sir Apoi (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Sir Chetan (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Sir Bonjo (5 Yrs Experience in Teaching)
HL-B/4742/16/7-14/8

TO DAY TO DAY
Khurai Thangjam Leikai Handloom & Handicraft
Co-operative Society Ltd.
In aid of Annual Fund Drive
Regd. No. 29 of 2000-01
Ticket Rate 1500/-
MINI BUMPER
House Full - 50,000/-
Ticket Rate 170/-
1st House Full Activa - 5G
2nd House Full Activa- 5G
3rd House Full Activa - 5G
4th House Full Activa - 5G
5th House Full Activa - 5G
6th House Full Activa - 5G
7th House Full Activa - 5G
8th House Full Activa - 5G
9th House Full Activa - 5G
10th House Full Activa-5G
2 Ticket Q10- Activa-5G
Date : 08/08/2018
Draw Time at 5:30 p.m. SHARP
Venue :- Wangkhei Keithel Ashangbi
HL-P/5191/8